# সেন্টরগী ক্লিয়ারেন্স ফংদবদগী ম্যান্মারদগী চেং চিংথোকপা ঙমদ্রি

ঃ ইরাবত

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ :* ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসিগী মনুং চন্না মনিপুরদা পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা চৎলিবা থা অসিগী লোয়শিনলকপদা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক তরেৎকী এম্বেসেদরশিংগী খোঙচৎকী মাংওইননা মখোয়না চৎকদবা বোর্দর টাউন মোরেদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন অমদি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর ব্রাই ইরাবতনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। সেন্টরগী ক্লিয়ারেন্স ফংদবদগী ম্যানমারদগী পুশিনলক্কদবা চেং মেত্রিক টন লিশিং কুন্থ্রা চিংথোকপা ঙমদ্রি হায়না মিনিষ্টরনা ফোংদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী মিনিষ্টরগী মোরে খোঙচৎকী মনুংদা চিকিম ভেঙদা শারিবা এম টি ৫০০ গী কেপাসিটি ওইবা এফ সি এসকী গোদাউন্দ, লালকাই ভেঙদগী ইন্টরনেসনেল বোর্দর ব্রিদজ ফাওনরিবা নৌনা শেমগৎপা দাইভর্সন রোদকী ফিভম অমদি হান্না য়ুম তারম্বদগী হৌজিক্কা তকথোক্লগা লমহাং ওইনা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চ্যেক পোষ্ট শাগদবা মফম লোয়ননা ত্রেদ সেন্টর মোরেগী নৌনা শাগৎলিবা বিল্ডিংশিং অদুগী ফিভম মিনিষ্টরনা য়েংশিনখি।

এফ সি এসকী গোদাউন্দ অদু য়েংশিনলুবা মতমদা মনুংগী ফ্লোরিংগী শরুক চেকখায়বা থেংনখি। লোয়ননা মদু হেন্দিং / তেকিং ওভর তৌদ্রিঙৈদা শেমজিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা হায়ৱে অদুদগী গোদাউন্দ অদু ফাওবদা হান্না লৈরিবা লম্বী অদু গাড়ী চংবদা খুদোংচারোইদবনা নৌনা লম্বী শেম্নবা অনৌবা দি পি আরং অমা শান্নবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি। হায়রিবা গোদাউন্দ অসি মমাংদা অশোয়বা কয়া লৈরম্বা অমদি ফ্লোরিংদা ক্বালিটি কন্ত্রোল তৌরমদবদগী থুগায়রগা শেমজিনহনখিবনি।

দাইভর্সন রোদ অদু য়েংশিনলবা মতুংদা মদুদা এলাইনমেন্ট চাদনা লৈরম্বা মফম কয়া শেমদোক্লবা খঙহনখি। মোরে ত্রেদ সেন্টরদা শাগৎলিবা থ্রি ষ্টোরি বিল্ডিং অদুগী কা কাশিংদা চংদুনা য়েংশিনবদা থোং অমা মপুং ফানা হাংবা য়াদবদগী মদু শেমদোক্লবা খঙহনলমখি। হায়রিবা বিল্ডিং অসিদা ভি আই পি কা ৬ দোর্মিটরি ১১ য়াওরিবনি।

খোঙচৎ অদুগী লোয়শিনলকপদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, হন্দক্কী খোঙচৎ অসিগা থারগা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিগীদমক য়েংশিনবা লাকপসি মরিরক শুরে।

ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসিগা ইরোয়ননা ইন্দো ম্যানমার বোর্দর ত্রেদকী আইটেম মশিং অসি হান্না ১৮ ওইরম্বদগী ২২ দা হেনগৎখ্রবা মতুং হৌজিক আইটেম ৪০ দা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক চংখরি।

হন্দক মনিপুরনা ম্যানমারদগী চেং মেত্রিক টন লিশিং কুন্থ্রা লৌবদা ম্যানমারনা অয়াবা পীরক্লাসু হৌজিক সেন্টরদগী ক্লিয়ারেন্স ফংদবনা চেং চিংথোকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতসু মনিপুর সরকারগী মাইকৈদগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা চেইদুনা ক্লিয়ারেন্স পীবীনবা হায়খ্রে। হায়রিবা চেং মেত্রিক টন লিশিং ৩০ অসি চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা মনুং অসিদা চিংলগদি তোঙান তোঙানবা টেক্সশিং ফ্রি ওইগদৌরিবনি। অদুবু সেপ্টেম্বর থা লাম্থোকখ্রগদি টেক্স পীবা দরকার ওইগনি হায়খি।

চেংশিং অদু চিংনবগীদমক ত্রান্সপোর্টর কম ষ্টোকিষ্টশিং খনবগী থবক লোয়শিনলক্লে। মদুগী থৌরাং পুম্নমক মনিদকোনা পায়খৎলি। মনিপুরদা পুরক্কদবা চেংশিং অদুগী ক্বালিটি অদু এফ সি আইনা য়েংশিন্দুনা অয়াবা পীরকখ্রে। হায়রিবা চেং অসি চিংথোকপা ঙম্লগদি মনিপুরদা চেংগী অৱাবা খরদি কোকহনবা ঙমগনি। মোরেদা শাগৎকদৌরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টকী লম একর ৪৫ লৌশিনবা লোইরে, মতিক চাবা কম্পেন্সেসন লম মপুশিংদা য়েহ্লোকপসু লোয়খ্রে। মদুগী দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা শারগা সেন্টরদা থাখ্রগনি। বোর্দর ত্রেদ লাকপা মতমদা নেসনেল হায়ৱেদা চিনলক্কদবা অদু য়েংলগা লালকাই ভেঙদগী ইন্টরনেসনেল বোর্দর ব্রিদজ ফাওবগী দাইভর্সন রোদ শেম্বগী থবক হৌরে। লম্বী অসিদা শাগদবা থোং অদু হান্না লোকেল কন্ত্রেক্টর অমদা শুহনবনি অদুবু মদু লেপহনলগা অতোপ্পা কম্পনি অমদা শিন্নরে। হান্না শুবা কন্ত্রেক্টর অদু থবক নিংথিনা য়েংশিন্দবা, লুপ খরনা ৱার্ক সাইটতা অয়েৎ অপনবা পীবা কয়ানা থবক তৌবা ঙমদবনি।

মনিপুরগী মোরেদা লৈরিবা ম্যানমারীশিংদা হকশেল অমদি মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংলি। অদুগা মনিপুরগী মীওইনদি মদু ম্যানমারদগী মসিগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। মদুগী য়েংলগা চংথোক চংশিন ফ্রি ওইনবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি। হৌজিক মোরেদা লৈবা দুকানশিং অসিদা পোৎশিং হল্লরকপা অসি য়েংলগা মোরে কৈথেল অসি মথোল ২ / ৩ লোংবা বিল্ডিং ওইনা শান্নবা খন্নরগনি হায়খি। মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কম্মর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ও নবকিশ্বর, কম্মিস্নার (সি এ এফ এন্দ পি দি পি) ৱাইফৈ অমদি ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।